# জি এস টি গী ৱাখল্লোনদি ফজৈ অদুবু ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা অফবা ওইহন্দ্রে ঃ রাহুল গান্ধী



***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩০ ঃ***
কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা থৌশিলশিং অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা হায়, দিমোনিটাইজেসনগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈদা জি এস টি অমুক চৎনহন্দুনা মীয়ামদা শরুক অনী হেন্না অৱাবা নংহল্লে। দিমোনিটাইজেসন থৌশিল অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খ্বাইদগী হেন্না চাওনা অমাঙ অতা থোকহনবা অমনি। মদুগী মথংদা গুদস এন্দ সার্ভিস টেক্স (জি এস টি) লাকখি।

জি এস টি গী ৱাখল্লোনদি অফবা অমনি। অদুম ওইনমক আইন অদু চৎনহনবদা চাওনা অশোয়বা লৈরে হায়খি।

কংগ্রেস পার্টিনা নবেম্বর ৮ বু ব্লেক দে হায়না থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না লাওথোকখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা নুমিৎ অদুদা লৈবাক শিন-থুংনা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনগনি। অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি দি এম কে অমসুং মমতা বেনরজিগী ট্রিনামুল কংগ্রেসনসু চপ মান্নবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

কংগ্রেস য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা নবেম্বর ৮ বু ব্লেক দে হায়না থৌরম পাঙথোক্কনি। লোয়ননা মফম কয়াদা রেল্লি চৎতুনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্কনি হায়রি।

দিমোনিটাইজেসন থৌশিল লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফিভমদা চাওনা অকায়বা পীখি। মীয়ামদা শেল লৈতবগী অচৌবা খুদোং চাদবা অমা মায়োক্নহনখিবা অদুবু নীংশিংদুনা ব্লেক দেগী থৌরম পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা সেন্টরনা নবেম্বর ৮ দা দিমোনিটাইজেসনগী থৌশিল শৌগৎপা ওইনা এন্টি ব্লেক মণি দে হায়না থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

দিমোনিটাইজেসন চথখিবা নবেম্বর ৮ বু লৈঙাক অসিনা মরু ওইবা নুমিৎ অমা ওইনা লৌরি। লোয়ননা ব্লেক মণি অসি লাকশিন্নবা পায়খৎখিবা অচৌবা থৌশিল অমনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা পার্টি অদুগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং মরু ওইনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ অমসুং হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমগা ন্যু দিল্লিদা লৈবা পার্টি অদুগী হেদ ক্বার্টরদা উন্নখ্রে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, নবেম্বর ৮ বু দিমোনিটাইজেসন চথখিবগী অহানবা এনিভর্সরি ওইনা চাওনা থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শারি। অদুম ওইনমক নবেম্বর ৮ অসি ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাওনা মাঙ-তাকহনখিবা নুমিৎ অমনি।

অদুগুম্বা নুমিৎ অদুবু অফবা নুমিৎ অমনি হায়না করম তৌনা থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবনো হায়না রাহুল গান্ধীনা হংলক্লি।

জি এস টি চৎনহনখিবা অসিসু অচৌবা খুদোংচাদবা অমনি। জি এস টি গী ৱাখল্লোনদি অফবা অমনি। অদুম ওইনমক অদুগুম্বা আইন অদু চৎনহনবা শোয়বনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিবু মাঙ-তাকহল্লে। অদুগুম্বা থৌশিল অদুনা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফিভমদা নোংমৈ কাপশিনবগা মান্নে। লোয়ননা শেল-থুমগী ফিভমদা চাওনা অকায়বা পীরে হায়খি।

দিমোনিটাইজেসন চথখিবগী ৱাখল্লোন অদু কংগ্রেস পার্টিনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুগুম্বা শেলয়েকশিং অদুগী মপু কনানো হায়বদু খঙগদবনি। শেলয়েকশিং অদুগী মপু মীয়াম্না ওইগদবনি। শেলফমশিং অদু বেঙ্কতা দিপোজিৎ তৌহনখি। দিপোজিৎ তৌরক্তবশিং বুক তৌগনি হায়না লৈঙাক্না ফোঙদোকখিবা লৈখি। অদুগুম্বা আইন অদু নিয়ম চুন্নবা অমরা হায়নসু হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোরকখ্রে।

রাহুল গান্ধীনা লৈঙাক অসিবু মরাল শিরদুনা হায়, দিমোনিটাইজেসন থৌশিল চথখিবনা জি দি পি দা চাওনা হন্থহল্লে। দিমোনিটাইজেসনগী থৌশিল অদু খ্বাইদগী হেন্না অরানবা থৌশিল অমনি। মদুতা নত্তনা জি এস টি সু অরানবা মওংদা ইমপ্লিমেন্ট তৌহনবনা মরম ওইরগা অপিকপা করবার তৌবা মীওইশিংদা চাওনা অকায়বা পীরে হায়খি।

# ইন্দিয়াগী এল ই দি বল্ব চাদা ৭৬ তি সেফটি টেষ্টতা ফেল ওইরে



***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩০ ঃ***
ইন্দিয়াগী কৈথেলশিংদা য়োল্লিবা লাইট ইমিটিং দাইওৎ (এল ই দি) বল্বকী শরুক মরি থোকপগী অহুমদি লৈঙাক্কী কঞ্জুম্মর সেফটি ষ্টেন্দর ঙাক্তুবা থেংনৈ হায়না কৈথেলগী লমদা থিজিনবা ফার্ম নিলসেননা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতূং ইন্না কৈথেলদা য়োল্লিবা মরু ওইনা অচৌবা সহর মুম্বাই, হায়দ্রবাদ, অহমেদবাদ অমসুং ন্যু দিল্লিদা এল ই দি বল্বশিংগী মরমদা য়েংশিনবদা পোখোকশিং অদু খুদোংথিনিঙাই ওইবা অমদি হকচাং শোকপা য়াবশিংনি হায়বা খঙবা ঙমখি।

লৈবাক অসিগী কোনুংদা য়োল্লিবা এল ই দি বল্বশিং নিয়ম থুগাইদুনা শাবা ওইরমখি। সহর অদুদনা আইন কায়না শাবা এল ই দি বল্ব য়োল্লম্বগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলি হায়রি।

হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা অমসুং ব্রান্দেদ ওইদবা এল ই দি গী পোখোক কয়া য়োল্লকপা অসিনা লৈবাক অসিদা চাওনা শিংনবা অমা ওইহল্লক্লি। লোয়ননা লৈঙাক্কী থৌশিল মেক ইন ইন্দিয়া হায়বসিদসু চৈথেং পীরি হায়না থিজিন-হুমজিনবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না লৈঙাক্না তঙাইফদবা অমা ওইনা এল ই দি শাবা মেনুফেকচরি য়ুনিটশিং মশীং হেনগৎহনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়রি।

ব্যুরো ওফ ইন্দিয়ান ষ্টেন্দরদ (বি আই এস) না এল ই দি শারিবা কম্পনিশিং রেজিষ্টার তৌনবা অমসুং হকচাং শোকহনবা য়াবশিং চেক তৌবা অমদি চিনাগী পোখোকশিং কৈথেলশিংদা লাকশিনবা ঙমহন্দনবা থবক তৌগদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

ইন্দিয়ানা পুথোক্লিবা পোখোকশিং ক্বালিটি কন্ত্রোল তৌননবা অমদি অফবা পোখোক অমা ওইহন্নবা হোৎনৈ। চিনাদগী থাজিল্লকপা অহোংবা পোৎলমশিংনা কৈথেল লাকশিলহনখিদনবা থৌশিল পায়খৎকদবনি। হৌজিক চিনা অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা উংখৎনবা লৈরি।

লৈবাক অনীনা খ্বাইদগী শাংবা ইন্টর্নেসনেল বোর্দর তাইনদুনা লৈরিবনি। মগুণ য়াওদবা পোৎলম কয়া পুথোকপনা লৈবাক অসিগী টেক্স রেভিন্যুদা চাওনা অকায়বা পীরি। অহোংবা অমদি অরায়বা করবারগী ৱাখল্লোনশিং মায়থিবা পীগদবনি হায়রি।

লৈবাক অসিদা ফংলিবা এল ই দি বল্ব চাদা ৪৮ দি বল্ব অদু শারিবা কম্পনি অদুগী লৈফম ইদে অদুগা চাদা ৩১ না পোৎলম অদু শারিবা কম্পনি অদুগী মমিং থাদে হায়রি।

# সেনিয়ার আই পি এস ওফিসার য়োগেস চন্দ্র মোদিনা এন আই এগী অনৌবা লুচিংবা ওইখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩০ ঃ***
গুজরাট রাইওট কেস থিজিন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা শেমখিবা টিমদা য়াওখিবা সেনিয়ার আই পি এস ওফিসার য়োগেস চন্দ্র মোদিনা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) গী লুচিংবা সরত কুমারগী মহুত্তা ফম অদু পায়রগনি।

ওফিসিয়েল ওইবা চেরোল অমগী মতূং ইন্না ইং ১৯৮৪ বেটচকী আই পি এস ওফিসার (অসাম-মেঘলায়া কাদর) না এন আই এ গী দাইরেক্তর জেনরেলগী থৌ পুখ্রে।

হরিয়ানাগী ১৯৭৯ আই পি এস কাদর ওইখিবা সরত কুমারনা থবক তৌবগী মতম লোইখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা ৱাই সি মোদিনা থৌ অদু পুখিবনি। ৱাই সি মোদিনা থবক তৌবা য়াবগী মতম ইং ২০২১ গী মে ৩১ ফাওবা লৈরি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সোনেল এন্দ ত্রেনিংনা ফোঙদোরক্লি।

এন আই এ গী মকোক থোংবা লুচিংবা ওইবা য়াবশিংগী মিং সেপ্টেম্বর ১৮ দা লাওথোকপদা ৱাই সি মোদিগী মিং মকোক থোংনা য়াওখি।

ৱাই এস মোদি সেপ্টেম্বর ২২ দা এন আই এ গী ওফিসার ওন স্পিসিয়েল দ্যুটি ওইনা থৌ পুবা হৌখি। মহাক হান্নদি সি বি আই গী স্পিসিয়েল দাইরেক্তর ওইনা থৌ পুরমখিবনি হায়রি।

ইং ২০১০ দা থোকখিবা গুজরাটকী হিংশাগী থৌদোক থিজিন্নবা শেমখিবা স্পিসিয়েল টিমদা মহাক য়াওখি। লোয়ননা টিম অদুগী ওইনা ইং ২০১২ গী জুলাই ফাওবা থৌ পুরমখি হায়রি।

মীওই অদু সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই) দা চহী ১০ রোম মরু ওইবা থৌ পুরন্নবা মীওইনি হায়রি।

# কেরলাগী চাভারাদা থোং নীংখাইবদা মীওই ১ শিরে, ৫৭ না অশোক অপন নংখ্রে

***কোলম, ওক্টোবর ৩০ ঃ***
কেরলাগী কোলম মনাক্তা লৈবা চাভারাদা শাবা ফুট ব্রিজ অমা নীংখাইরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১ শিরে অদুগা মীওই ৫৭ না অশোক-অপন নংখ্রে।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না লৈখিদ্রবা নুপী অদু চহী ৫৫ রোম শুরবা মীওইনি। মহাক্না থোং অদু মখোঙনা লান্দুনা চৎলিঙৈদা নীংখাইরকখিবনি। মতম অদুদা মীওই ৭০ রোম থোং অদু লান্নবা হোৎনখি হায়রি।

অয়ূক্কী পুং ১০.৩০ রোম তাবদা থোকখিবা থৌদোক অদু লাইবক থিবা অমনি। কেরলা মিনরেল এন্দ মেটেল লিমিটেদকী কমপ্লেক্স মনুংদা লৈবা থোং অদু ঙসি অয়ুক নীংখাইখ্রে। খুদক্তা পুলিস পার্সোনেলশিং থোমজিল্লক্তুনা শোক্লবা মীওইশিং কন্ননবা হোৎনখি। অশোকপশিং হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুম ওইনমক নুপী অমদি শিরে হায়না লাওথোরকখি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুদি কেরলা মিনরেল এন্দ মেটেল লিমিটেদতা থবক তৌবী সামালানি হায়রি। থোং অদু কমপ্লেক্স অদুগা মায়োক্ননা লৈবা মিনরেল সেপরেসন য়ুনিটকা শম্নবনি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মাঙখ্রবা মীওইশিং থিবগী থবক চথুরি। লোয়ননা থোং অদু করম তৌনা নীংখাইখিবনো হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

# বাংলাদেশতগী আইন কাইনা লানশিল্লকপা মীওই ১৮ ত্রিপুরাদা ফারে

***সোনামুরা, ওক্টোবর ৩০ ঃ***
ত্রিপুরাগী সিপাহিজালা দিষ্ট্রিক্টকী নাজুরপুরাদা বাংলাদেশতগী আইন কায়না চঙশিল্লকপা মীওই ১৮ ফারে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

অকক্লবা পাউ অমা ফংবগা লোয়ননা পুলিসনা ইন্দিয়া-বাংলাদেশ ঙমৈখে পরিংদা লৈবা সনামুরা সব দিবিজন্দা থি হুম্বগী থবক চথবদা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক বাংলাদেশতগী চঙশিল্লকখিবনি হায়বা মীওই ১৮ ফাগৎপা ঙমখ্রে।

মীওইশিং অদু ৱাহং-পাউহং চথবদা মখোয় বাংলাদেশকী নাটোর দিষ্ট্রিক্ততা লৈবা মীওইশিংনি হায়বা খঙবা ঙমখি। মখোয় চেনাইদা থবক থিবা চৎলুরবা মীওইশিংনি হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

য়ূম্লোন্নবা লৈবাক্তগী চঙলকখিবা মীওইশিং অদু ইন্দিয়াগী শাশিন্নবা আধার কার্দ পায়রমখি হায়রি।

# জর্ম্মনি, পোলেন্দ, জেক রিপব্লিক্তা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মীওই তরুক শিহনখ্রে



***বর্লিন, ওক্টোবর ৩০ ঃ***
য়ুরোপকী ময়াই থংবা অমসুং অৱাং থংবা শরুক্তা হুমজিল্লকখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মীয়ামগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা পীখ্রে। জর্ম্মনি, পোলেন্দ অমসুং জেক রিপব্লিক্তা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিহনখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা চহী ৬৩ শুরবা মীওই অমা য়াওরি। মহাক জর্ম্মনগী সমুদ্র খোঙবান্দা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা ইরাক্লদুনা শিখিবনি হায়রি।

অদুগা সমুদ্র খোঙবান অদুমক্তুদা লম কোয়বা লাকপা মীওইশিংনা তোংবা মোটোর বোট অমা মথক মখা ওন্দুনা লাকশিনবদা মীওই অনী শিখি। জেক রিপব্লিক্তা পুংদা কিলোমিটর ১৮০ য়াংনা শিৎপা নোংলৈ নুংশিৎ অদু হুমজিল্লকপনা মরম ওইরগা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহনখ্রে।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা ইলেক্ট্রিক্ট পোল কয়া তুহনখিবনা মরম ওইরগা জেক রিপব্লিক্কী মফম কয়া মৈ ফংদ্রে হায়রি। জর্ম্মনগী মরু ওইবা সহর হম্বর্গতা শাথিবা ঈচাও থোক্লে হায়রি।

জর্ম্মনগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎকদবা ত্রেন কয়া সস্পেন তৌখ্রে। জর্ম্মনদা নত্তনা জেক রিপব্লিক্তসু ত্রেন কয়া কেনসেল তৌখ্রে। লোয়ননা লম্বী কয়া ফাওনবা য়াদ্রে হায়রি।

পোলেন্দা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা উ পাম্বী কয়া মরু ফুক্তুনা তুহনবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শিখ্রে। জর্ম্মনগী মেকলেন্দবর্গ অমসুং ভোরপোমরনদা চহী ৪৮ শুরবী নুপী অমা অমসুং চহী ৫৬ শুরবা মীওই অমা হি মথক মখা ওনবদা লৈখিদ্রে।

অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তা মীয়াম্না নোংমগী ওইনা তৌদবা য়াদ্রবা থবক কয়া পাঙথোক্লবা হোৎনরি। অমষ্টার্দমগী অৱাং থংবা লাংগিয়োগতসু অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মীয়ামদা অকিবা ফাওহনখ্রে।

লমদম অদুদা লৈবা থাউ থম্ফম য়ুরকপদা থাউ টন ১,৮০০ মাঙখ্রে হায়না ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি। সমুদ্র খোঙবান্দা মী কনবগী থবক পায়খৎনবা থৌশিল কয়া চথুরি। লোয়ননা মী কনবগী জহাজদা তোংখিবা ক্রু মেম্বর ২২ অশোক অপন নংখ্রে।

সমুদ্রগী অৱাংবা ঈথক কয়া লাকপনা মরম ওইরগা মী কনবগী থবক্তা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়রি।

# নুপী ৩০ ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইহনখি হায়বা মীওই অমা জেলদা থাজিনখ্রে

***পেরিস, ওক্টোবর ৩০ ঃ***
ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরবা ভেলেন্টিনো টালুতো কৌবা মীওই অমনা চেকশিন থৌরাং য়াওদনা নুপী ৩০ রোমগা লোয়নখিবা অমদি নুপীশিং অদুদা ঐচ আই ভি শন্দোকখি হায়বগী মরালদা কোর্টনা মীওই অদু জেলদা নমশিনখ্রে।

ভেলেন্টিনোনা ফোঙদোকখিবদা মহাক ইং ২০০৬ তা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙবা ঙমখি। মদুগী মতূংদা মহাক্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎতনা নুপী ৫৩ গা লোয়নখি। মহাক্না নুপীশিং অদু সোসিয়েল নেটৱাক অমসুং দেটিং সাইটতা খঙনদুনা লোয়নখিবনি হায়রি।

ইরাই নুমিৎতা কোর্টনা চহী ৩৩ শুরবা মীওই অদুবু চহী ২৪ জেলদা লৈবগী দন্দি পীখ্রে। ভেলেন্টিনো টালুতোগী উকিলনা কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা থৌওংশিং অদু মহাক্না তৌগে হায়না তৌখিবা নত্তে হায়খি।

মহাক্কা লোয়নখিবা নুপী খরনা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরে খঙলবা মতূং য়ানিংদবা ফোঙদোরকপদা ভেলেন্টিনোনা মহাক ঐচ আই ভি পুবা মীওই অমা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

# গ্লোবেল টেরোরিজমনা ইন্দিয়াদসু চৈথেঙ পীরি




***হায়দ্রবাদ, ওক্টোবর ৩০ ঃ***
গ্লোবেল টেরোরিজমনা ইন্দিয়াদা চৈথেঙ পীদবা নত্তে। লৈবাক অসিগী ইন্টিলিজেন্স অমসুং সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা লমদম অসিদা আই এস আই এস না মাংহন তাকহন্নবা শিল্লকখিবা থৌরাং কয়া অরেম্বা তাহনখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মথংগী চহী ৫ অসিদা টেরোরিজমনা শীংনরকপা অমসুং কাঙলূপ নাইবগী থৌশিলশিং লাকশিন্নবা হোৎনবা হায়বসি অচৌবা শীংনবা অমা ওইরগনি। মরু ওইনা জম্মু অমসুং কাশ্মীর, অৱাং নোংপোক লমদম অমসুং লেফ ৱিং এক্সত্রিমিষ্টশিং থেংনবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরগনি হায়না সাদর বালভাই পটেল নেসনেল পুলিস একাদমীদা পাঙথোকপা আই পি এস প্রোবেস্নরগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

আই পি এস ওইরগদবা মীওইশিং অদুদা লুচিংবা অদুনা হায়, অদুগুম্বা পোল্লেমশিং অদু মুখৎনবা হোৎনবদা অখন্নবা মীৎয়েং থমগদবনি। মালেম অসি হৌজিক টেরোরিজম অমসুং কাঙলূপ নাইবগী থৌওংশিং থেংনবদা অকিবা ফাওই।

আইন্না য়াদ্রবা আই এস আই এস অমসুং অল-কাইদানা মরাল লৈজদ্রবা মীচম কয়া হাৎলি। মদুতা নত্তনা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইগী অকিবা কয়াসু মায়োক্লরি। লোয়ননা সাইবর এতেক্ট চথরকপগী খুদোংচাদবসু মায়োক্নরিবনি।

ওর্গনাইজেসন কয়ানা অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্লবা হোৎনবদা মীৎয়েং থমগদবনি। আই এস আই এস মখোয়গী কাঙলূপ নাইবা অমদি টেরোরিজমগী থৌওংশিং মালেমগী লৈবাক কয়াদা মায় পাক্লা শন্দোক্লি।

আই এস আই এস না অদুগুম্বা থৌওংশিং চথরকপা অনৌবা অমা নত্তে। মালেমগী ওইবা টেরোরিজমবু ইন্দিয়াদসু চাওনা চৈথেং পীরে। ঐখোয়গা য়ূমথংনরিবা লৈবাক অমদি টেরোরিজমগী হৌরকফম ওইরি। লোয়ননা টেরোরিজমদা মতেঙ পাংলি। মদু লৈবাক অসিগী ওইনদি অহেনবা শিংনরকপা অমনি। অদুম ওইনমক ঐখোয়গী ইন্টিলিজেন্স অমসুং সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা টেরোরিষ্টশিংগী থবক থৌরমশিং অমদি মখোয়না চথরকপা পামদবা থৌওংশিং লাকশিন্দুনা লাকই।

ইন্দিয়াদা আই এস আই এস কী মোদুল থুগাইখ্রে। মখোয়গা লোয়নবা অমদি শম্নবনি হায়বা মীওই কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে। আই এস আই এসকা মরী লৈনবা অপিকপা থৌদোক খরদি থোকপা লৈখ্রে। অয়াম্বশিংদি লাকশিনখ্রবনি। মদু লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মতেঙনা ওইখিবনি। লৈবাক অসিগী মীয়ামবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 22/06/17
Valid : 21/06/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 27/07/17
Valid : 22/07/17
Stk : 306
Rate : Rs. 749
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Hranchal Gas Agency**
Booking : 11/08/17
Valid : 07/08/17
Stk : 270
Time : 7.30 to 10.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 05/08/17
Valid : 31/07/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 19/08/17
Valid : 16/08/17
Stk : 612
Time : 06.00 to 09.00 a.m

**Haran Valley Gas, Kwakta**
Booking : 31/06/17
Valid : 11/06/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 22/08/17
Valid : 18/08/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

সনা-সুদোকু – ৯৮০ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 8 | 3 | 7 | 1 | 2 | 4 | 6 | 9 |
| 2 | 4 | 7 | 6 | 9 | 8 | 3 | 1 | 5 |
| 6 | 1 | 9 | 5 | 4 | 3 | 7 | 8 | 2 |
| 8 | 7 | 5 | 2 | 3 | 4 | 6 | 9 | 1 |
| 9 | 6 | 1 | 8 | 7 | 5 | 2 | 3 | 4 |
| 3 | 2 | 4 | 1 | 6 | 9 | 5 | 7 | 8 |
| 1 | 5 | 2 | 3 | 8 | 7 | 9 | 4 | 6 |
| 7 | 9 | 6 | 4 | 5 | 1 | 8 | 2 | 3 |
| 4 | 3 | 8 | 9 | 2 | 6 | 1 | 5 | 7 |

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 1034/SDC/P of 2017*

Laishram Thoibi Devi W/o (L) L. Ningthemjao Singh
of Khurai Ningthoubung Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

L. Ningthemjao Singh S/o (L) Nadiyachand Singh
of Ningthoubung

***- O.P.P.***

**NOTICE**

*Porompat, the 30/10/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ঃ- Imphal East Porompat Circle গী Village No. 19-Ningthoubung গী Patta No. 99 (অরিবা) 113/423 (অনৌবা) C.S. Dag No. 456 an area 0.05 acre of Anganphou Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতূং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতূং ইন্না Case মখা চথগনি মতূংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East
Manipur

*SL/3545(f)/31*

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-981**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | | 1 | | | 7 | |
| | | | 7 | 2 | 8 | | | 6 |
| | | | 4 | | | 5 | | |
| 7 | 9 | | 6 | | | | 5 | 8 |
| | 6 | | | | 5 | | | |
| 5 | | 1 | | 9 | | | | |
| 8 | | | | | | 2 | | |
| | | 5 | | | | | | |
| | 4 | | | 3 | | 9 | 1 | |